# সনালৈবাক SANALEIBAK

PROGRESSIVE JOURNALISM

www.sanaleibak.in

চহী চুপ্পা লেপ্তনা নুংতিগী ফোঙবা অহানবা মণিপুরী পাউচে




কর্ফ্যু অমসুং লোকদাউননা মরম ওইরগা অৱাবা মায়োক্লরিবা হোংমান তাম্বুল (খোংবান তাম্বুল) ভিল্লেজদা পি পি সি এমগী কনভেনর জিতেন্দ্র নিংঙোম্বনা লুচিংবা টিমনা তেংবাঙ পোৎলম শিন্নবগী শক্তম



কোভিদ–১৯ লায়চৎনা মরম ওইরদুনা চহী খুদিংগী এপ্রিল ১৭ তা পাঙথোকপা এমসুগী ৪০ রক শুবা মীৎকপ থোকপা নুমিৎ মহৈরোইলূপ অসিগী প্রসিদেন্টনা মহৈরোইশিংগী খুভমদা হৈকৎ–লৈকৎ তম্বগী শক্তম অমা



ক্যাম্পগে মমাঙ লৈকাইগী লৈশাবীশিংনা চহীগী য়াওশঙ থাবল চোংবগী খায়গৎনবদগী লেমহৌবা শেনফমশিং এম এল এ কোভিদ–১৯ রিলিফ ফন্দগীদমক কৈরাও এ সিগী এম এল এ রামেশ্বরদা শিন্নবা


Volume No: 44 Issue: 143 | IMPHAL SATURDAY 18 APRIL 2020 | থাংজ, শজিবুগী ২৬ নি পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 8 Price:Rs 3.60


## ৱাখলগী চিঙ্গাক

ঐখোয় ঐখোয়না ওইরিবসি ঐখোয়না খনখিবা ৱাখলশিংদুগী ফলনি

### কোভিদ– মালেমগী মশীং

অপূনবা কেস – ২২,৩১,৪৩৭
শিবগী মশীং – ১,৫০,৮৩৬
ফগৎলকপা – ৫,৬৪,৭১০

**ইন্দিয়া** (নুমিদাং পুং ১১ ফাওবা)
অপূনবা কেস – ১৩,৮৩৫
শিবগী মশীং – ৪৫২
ফগৎলকপা – ১,৭৭৭

**য়ু এস এ** (নুমিদাং পুং ১১ ফাওবা)
অপূনবা কেস – ৬,৮৬,৪৩১
শিবগী মশীং – ৩৫,৫৭৮
ফগৎলকপা – ৫৮,১৭৯

**স্পেন** (নুমিদাং পুং ১১ ফাওবা)
অপূনবা কেস – ১,৮৮,০৬৮
শিবগী মশীং – ১৯,৪৭৮
ফগৎলকপা – ৭৪,৭৯৭

**ইতালি** (নুমিদাং পুং ১১ ফাওবা)
অপূনবা কেস – ১,৭২,৪৩৪
শিবগী মশীং – ২২,৭৪৫
ফগৎলকপা – ৪২,৭২৭

**ফ্রান্স** (নুমিদাং পুং ১১ ফাওবা)
অপূনবা কেস – ১,৬৫,০২৭
শিবগী মশীং – ১৭,৯২০
ফগৎলকপা – ৩২,৮১২

**জর্মনি** (নুমিদাং পুং ১১ ফাওবা)
অপূনবা কেস – ১,৩৮,৪৯৭
শিবগী মশীং – ৪,১৯৩
ফগৎলকপা – ৮১,৮০০

**য়ু কে** (নুমিদাং পুং ১১ ফাওবা)
অপূনবা কেস – ১,০৮,৬৯২
শিবগী মশীং – ১৪,৫৭৬
ফগৎলকপা – এন এ

**চাইনা** (নুমিদাং পুং ১১ ফাওবা)
অপূনবা কেস – ৮২,৬৯২
শিবগী মশীং – ৪,৬৩২
ফগৎলকপা – ৭৭,৯৪৪

### পেট্রোল, ডিজলগী মমল

পেট্রোল লিটরদা – লুপা ৬৮.১৮
ডিজল লিটরদা – লুপা ৬০.৮৫

### অঙৈং–অশা

খ্বাইদগী শাবগী চাং ঃ ২৩.৩১° সি
খ্বাইদগী ঈংবগী চাং ঃ ১৬.৬৬° সি
নোংজুগী চাং ঃ ৭ এম এম
নুমিৎ থোকপা ঃ অয়ুক পুং–৪.৪৯
নুমিৎ তাবা ঃ নুংথিল পুং–৫.৩৮

### লোইরেদনা

লোকদাউন মনুংদা লৈঙাক্ল তৌরিবসি পেন্দবা কনা য়াওবগে খঙনিংই...!



চেঙগী ৱাদি ইপন পন্নহৌদে। ক্বা জর্দা মমল ৱাংলিবসি নুংঙাইনহৌদে!

### হেক্তা হায়জিনবা

**খঙহল্লু**

লৈদি অদুম খঙহল্লু
কোরোনা লৈ খঙহল্লু
কিদি অদুম কিহল্লু
শনদি শন্দোকলক্কনু
মীসু হাৎ লাক্কনু
লৈদি অদুম খঙহল্লু
কোরোনা লৈ খঙহল্লু
কোরোনা নঙ লৈবদৈ
পুমচিক চিকখ্রে লমদমসে
ইং তপ্লে লৈবাকসে
নুপী অঙাং ওৎতরে
নিশা ফাশা ফাদরে
শেম্ভৌ বোম পোকখায়দ্রে
মমা শাবী লাঙদরে
লুচিংবা শাবা উদরে
মনা মনিল নায়দরে
সরকার কোক চিক্তরে
কোরোনা নঙ লৈবদৈ
কোরোনা লৈ খঙহল্লু
লৈদি অদুম খঙহল্লু

---

শীজিন্নরুরবা মাস্ক সপ্লাই তৌরম্বগী ৱাথোক থিগৎনবা কেস লৌখৎখ্রে

# উফুল ঙাকথোক্লনবা মাস্কনা এন–৯৫ শারগা হেল্থ দিপার্টমেন্টতা সপ্লাই তৌরম্লে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৭ (এস এন এস) ঃ মালেম পূম্বগী হকশেলগী অচৌবা শীংনবা অমা ওইরিবা য়াম্না লৌনগনবা কোভিদ–১৯ থেংনবদা ফ্রন্ট লাইনদা থবক তৌরিবা ডোক্তর, নর্স অমসুং মেডিকেল ষ্টাফশিংদা মশা ঙাকথোকচনবা মতীক–ময়াই য়াওদবা মাস্ক পীরম্বগী অচৌবা ৱাথোক থোক্লে।

চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা শীজিন্নরুরবা এন–৯৫ মাস্ক পীশিল্লম্বগী ৱাথোক্তা মরী লৈননা ভিজিলেন্স এন্দ এন্টি করপসন পুলিস ষ্টেসননা মেডিকেল দাইরেক্তোরিয়েটকী ওফিসিয়েল খরা, পোৎলমশিং অদুবু সপ্লাই তৌবা ফার্ম মঙাগী প্রোপ্রাইটরশিং অমসুং হৌজিক্কী থিগৎপগী ষ্টেজতা লৈরিবা শকখঙদবা মীওই খরগী মথক্তা এফ আই আর কেস নম্বর ৩(৪)২০২০ ভি এন্দ এ সি পি এসনা সেক্সন ১২০–বি আর / দব্লিউ ৪২০ আই পি সি, ১৩(২) আর / দব্লিউ ১৩(১)(এ) পি সি অমা লৌখৎখ্রে।

ভিজিলেন্স এন্দ এন্টি করপসনগী সুপরিন্টেন্টেন্ট ওফ পুলিস ঐচ বলরামনা থাদোরকপা প্রেস লিলিজ অমনা হায়, ৱাথোক অসিগী মতাংদা ঙসি নুমিৎয়ুংবদা ভিজিলেন্স এন্দ এন্টি করপসন পুলিস ষ্টেসনগী অখন্নবা টিম অমনা লম্ফেল পাৎতা লৈবা মেডিকেল দাইরেক্তোরেটকী সেন্ত্রেল মেডিকেল ষ্টোরদা থি–হুম্বগী থবক চখখ্রে।



ষ্টোর অদুদগী সব–ষ্টেন্দর ওইবনি হায়না চিংনবা এন–৯৫ মাস্ক ১,২৫০ ফাগৎলে। হায়রিবা মাস্কশিং অদুগী মনুংদা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল চুরাচান্দপুরদা সপ্লাই তৌরম্বা অদুসু য়াওই। মখা তানা থিজিন–হুমজিনবগী তঙাইফদবা লৈবা মেডিকেল প্রোটেক্টিভ গ্যার কয়ামরুমসু ফাগৎলে হায়রি।

থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়, মেডিকেল (হেল্থ) দিপার্টমেন্টতা এন–৯৫ নি হায়না সপ্লাই তৌরকখিবা মাস্ক খরদি উফুল ৱাইফুল ঙাকথোক্লনবা ইচম চম্বা মাস্ক ওইরম্লে।

হায়রিবা এন–৯৫ শাবা মাস্কশিং অদুগী মনুংদা সেম্পল ১০০ রোম পুলিসনা খোমগৎলগা পুখ্রে। হায়রিবা সেম্পলশিং অদু তশেংনমক এন–৯৫ কী মতীক–ময়াই চেনবা মাস্কলা হায়বদু এগজামিন তৌনবগীদমক মরী লৈনবা ওঠোরিটিদা থাননবা লৌখৎপনি। মখোয়না পীখৎলকপা রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না মখা তাবা থবক লৌখৎলকপা য়ারি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, তোঙান তোঙানবা ফার্ম মঙা অসিনা সপ্লাই তৌরম্লিবসি এন–৯৫ মাস্ক ৫২,১০০ রোমনি। মসিগী মথক্তা ট্রিপ্পল লায়ার মাস্ক লাক্ষ ৫ রোম য়াওরি। হায়রিবা মাস্কশিং অসি সপ্লাই তৌবগী চপ চাবা ফোর্মেলিটিশিং অমা ফাওবা য়াওখিদে। ইমর্জেন্সিনি হায়দুনা সেক্রেটরিয়েটতগী সপ্লাই ওর্দর পীখিনবা খঙহল্লকপা মতুং ইন্না মেডিকেল দাইরেক্তোরেটনা ফার্ম মঙা অসিদা মমিংতগী ওইনা সপ্লাই তৌননবা অয়াবা পীখিবনি।

ফার্ম মঙা অদুনা এন–৯৫ কয়া য়াম্না পীখৎলক্লবগে হায়বা ফাওবা চপ চানা খঙবা ...মখা লমায় ৩দা...

# চেঙ ৱানগে ফংদ্রবসু ক্বা জর্দাদি তম্পাক্কী মফম অয়াম্বদা ফংলে

ট্রকতা পুরকপা জর্দা, মিঠা মনাশিং মৈ থাদুনা মাঙহনখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৭ (এস এন এস) ঃ কোভিদ–১৯ গী লায়চৎ লাকশিন্নবা লৈঙাক্ল কর্ফ্যু থমজিনখিবা অমসুং লোকদাউন চংখিবদগী মীয়াম্না চেঙ খুয়া অমা ৱানগে হায়বা ফংদ্রবসু মণিপুরগী মফম অয়াম্বদা ক্বা জর্দাদি মরাং কায়না ফংবা উরে।

লৈবাক শিনবা থুংনা চখরিবা লোকদাউন মনুংদা তঙাইফদনা চঙবা পোৎ–চৈ পুশিল্লকপা কোমথোকপগী খুদোংচাবা লৌরগা তিলহৌ বোরা মরক্তা য়েপশিল্লগা পুরকপা য়াম্লবা জর্দা অমসুং মিঠা মনাশিং থাংমৈবন্দ হিজম দেৱান লৈকাইদা মৈরা পায়বীশিংনা ফারবা তুংদা মৈ থাদুনা মাঙহনখ্রে।

পাউ অসিনা হায়, কোভিদ–১৯গী লোকদাউন লৈরিঙৈগী মরক্তা মীয়াম্না তঙাইফদবা পোৎলমশিং ফংনদবগী অৱাবা মায়োক্লরিঙৈ ফ্লাইটতা মিঠা মনা (ক্বা মনা) পুশিনলকপগী ৱাথোক লৈরিঙৈদা ট্রকতা ড্রাইভরনা ময়াই কাবা পোৎলম য়াওনা মিঠা মনা পুশিল্লকপদগী ফাবগী থৌদোক অদু ঙসি অয়ুক পুং ৯ লোম তাবা মতমদা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ইম্ফালগী থাংমৈবন্দ হিজম দেৱান লৈকাইদা থোকখিবনি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা ফ্লাইয়ো ক্লব থাংমৈবন্দ হিজম দেৱান লৈকাইগী জেনরেল সেক্রেটরী জেমস থোকচোমনা হায়, ঙসি অয়ুক পুং ৯ লোম তাবা মতমদা থাংমৈবন্দ হিজম দেৱান লৈকাইদা লৈবা ওইনাম চন্দ্রেশ্বর



কৌবা অমগী শান্দোকপা য়ুমদা লৈবা গোদাউন অমদা পোৎ থাবা লাকপা ট্রক অমদগী ক্বা মনা অমদি জর্দাশিং অদু ফাগৎপা ঙমখিবনি।

মহাক্ল হায়, গুৱাহাটিদগী ইম্ফালদা ঙরাং থুংলখিবা ট্রক (এন এল ০১ এ ই ১৮২৯) দা ক্বা মনাশিং অমদি জর্দাশিং অদু তিলহৌ মরক্তা লোৎলগা পুশিল্লকপনি। গাড়ী অদু গুৱাহাটিদগী তিলহৌ পুরগা ঙরাং আই এস বি তিদা থুংলবা মতুংদা ঙসি থাংমৈবন্দ হিজম দেৱান লৈকাইদা লৈবা গোদাউন অদুদা তিলহৌ থানবা লাকখিবনি।

গাড়ী অদুদা ক্বা মনা অমদি জর্দা য়াওরে হায়বদি লৈকাইগী মৈরা পায়বীশিংনা থেংনরকপদগী ফ্লাইয়ো ক্লবতা পাউ পীরকপদগী মেম্বরশিংনা চঙশিল্লগা চেক তৌবা মতমদা ক্বা মনা পোলাং অনী অমদি পেকেট শাদবা জর্দা বোরা মরি ফাখিবনি হায়খি।

মখল–মখা কয়াগী পোৎয়ান তৌরবা, করম্না মফমদা শাবনো হায়বসু খঙদবা জর্দাশিং অদু ইম্ফাল য়ৌরবা তুংদা নীংথিরবা পেকেট মচা মচাশিংদা শেমজিল্লগা মমল তাংনা কম্পনিনা থারকপা শারগা য়োনগদৌরিবনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

ফারবা পোৎলমশিং অদু থাও হৈজিল্লগা মৈ থাদোক্লুনা মাঙহনখ্রে। ট্রক অদুদি ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী ও সিনা লুচিংবা টিম অমনা পুখ্রে হায়খি।

হিরম অসিগী মতাংদা পুলিসতগী ফংবা পাউনা হায়, গাড়ী অদু ভেরিফিকেসন তৌনবগীদমক মখোয়না লৌখৎপনি। গাড়ীগী ভেরিফিকেসন তৌবদা মহাক আই এস বি টিদা চং দুনা এন্ত্রিনচিংবা তৌরমখি হায়বা খঙলে। গাড়ী অদুবু থৌরক্লিবা ড্রাইভর অদু বিহারদগীনি। মহাক্লা ক্বা মনা অদু মশাগী মরনাইগী ওইনা শেল তান্নবগীদমক গুৱাহাটিদগী হাপ্লকপনি হায়বা খঙলে হায়খি।

# ইচেল এক্সপ্রেস পাউচেগী এদিটর, পব্লিসর ১সুং প্রিন্টরগী মথক্তা এফ আই আর লৌখৎখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৭ (এস এন এস) ঃ ইম্ফালদা নুমিৎ খুদিংগী অয়ুক্তা ফোঙবা পাউচে ইচেল এক্সপ্রেসকী এদিটর, পব্লিসর অমসুং প্রিন্টরগী মথক্তা নাতৈ চাদবা এদভরটাইজমেন্ট অমা হাপ্পবগী মতাংদা পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসননা এফ আই আর অমা লৌখৎখ্রে। অমরোমদা, মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱুমেননসু এদভরটাইজ মেন্ট অদুবু হাপ্পকখিবা মমা–মপা কম্মিসনদা লাক্লনবা খঙহনখ্রে।

থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়, পাউচে অসিগী এদিটর, পব্লিসর অমসুং প্রিন্টর খক্তা নত্তনা হট্টা ইটখোলাদা লৈবা এমদি ইকবাল হুসেল, এমদি রহমদজন বেগমগী মথক্তসু চপ মান্নবা এফ আই আর (৭৩(৪)২০২০ পি আর টি–পি এস) অমা লৌখৎখ্রে। মখোয়গী মথক্তা আই পি সিগী সেক্সন 153(B)(b)/505(2)/506/509/501/502/120(b)/34 IPC গী মখাদা মরাল শীরি।

পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা ফোঙবা এদভরটাইজমেন্ট অদুদা মমা–মপা অনীনা মচানুপীবু শাথিনা তাথি–তাওইবা অমসুং ফত্ত–নুংদা থোক্লনবা অতম্লনা শীনবগী ৱাফম কয়ামরুম য়াওরি। ৱাফমশিং অদু রাইওট থোকহন্ননবা শীনবনি, মীওই অদুবু শিননবা কিহনবনি, নুপী ওইবীগী ইকায়খূম্নবা মাঙহনবনি, ষ্টেট অসিগী মীয়াম্বু লাম্না লমজিংবনি, ক্রিমিনেলগী লৌতুনবনি হায়বনচিংবা মরালশিং শীরি হায়না এফ আই আর অসিদা পল্লি।

অমরোমদা, হেক পোকচবা মচাবু অথিবা ৱাহৈ ৱাতা শিজিন্নদুনা চৈ থাংখিবা মমা মপা মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱুমেন্না কৌখৎখ্রে।

কম্মিসন্না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ইম্ফালদা ঙসি ফোঙখিবা পাউ চে অমগী এদভর্টাইজমেন্ট কলমদা হেক পোকচবা মচানুপীবু অপোকপা অমদি অপোকপীনা শিখ্রে হায়না লৌরবনি, ...মখা লমায় ৩দা...

# ইম্ফাল ৱেষ্ট ওরেঞ্জ জোনগী মনুং চনখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৭ (এস এন এস) ঃ মণিপুরগী ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট অমদি মিজোরামগী আইজোল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট অনী অসি হান্না কোভিদ–১৯ পোজিটিব ওইবা মীওই থেংনখিবনা লৈবাক অসিগী কোভিদ–১৯ ইনদেক্সতা রেদ জোনগী মনুং চন্না লৈরম্লবসু হৌখিবা নুমিৎ ১৪ অসিদা অনৌবা কেস অমত্তা থেংনদবদগী ওরেঞ্জ জোনগী মনুংদা চনবা দিষ্ট্রিক্ট ওইখ্রে।

মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্ঠ এন্দ ফেমিলি ৱেলফিয়ারগী জোইন্ট সেক্রেটরী লাভ অগরৱারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হান্না কোভিদ–১৯ গী পোজিটিভ ওইবা মীওই থেংনখিবনা রেদ জোনগী মনুং চনবা দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইরম্লবসু হৌখিবা ...মখা লমায় ৩দা...

# টেলিফোনদা অনাবা য়েংবা লেপ্লগনি :নেস্নেল মেদিকোস ওর্গনাইজেসন

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৭ (এস এন এস) ঃ কোভিদ–১৯ গী লোকদাউন অসিনা মরম ওইদুনা অনাবশিংনা হোস্পিটালশিং অমদি হেলঠ সেন্টরশিংনা লাক্তুনা লায়েংবদা খুদোং চাদবা থেংনবদগী টেলিফোন অমদি ওনলাইনগী খুত্থাংদা লায়েংবগী থবক চখরম্বা অদু লাক্লিবা এপ্রিল ১৮ গী মতুংদগী লেপ্লগনি হায়না নেসনেল মেদিকোস ওর্গনাইজেসননা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

এন এম ও গী সেক্রেটরী দা. টিঐচ সাছিন দেবনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, টেলিফোন অমদি ওনলাইনগী খুত্থাংদা অনাবশিং লায়েংবা হায়বসিদা অনাবা অদু হকথেংননা য়েংশিনবগী খুদোংচাবা লৈতবা মরম্না খুদোং থিনিঙাই ওইবা অমদি মমুৎ তানা লায়েংবা ঙম্লোইদবা মরম্না অথিংবা অসি থমখিবনি।

লোকদাউন মনুং অসিদা ষ্টেট অসিগী হেলঠ সার্ভিসকা মরী লৈনবা লোয়শঙ খুদিংমক হাংদুনা লৈগনি। মরম অসিনা মীয়াম্না মদুদা লাক্তুনা লায়েংবিয়ু। মীয়ামগী হেন্না য়াইফনবগীদমক এন এম ও না ইমা অমদি হেলঠ মিনিষ্ট্রিগী পাউতাক মতুং ইন্না পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরম অসিদা মীয়াম্না শৌগৎপিয়ু হায়রি।

অমরোমদা, কোভিদ–১৯ গী লায়চৎ অসিনা ইন্দিয়াদা শন্দোরকপা থা অহুমলোম শুরক্লবা অসি ফাওবদা ষ্টেট অসিদা ...মখা লমায় ৩দা...

# ঈশিংদা লুপখ্রবা চাদোং ভিল্লেজদা লৈরম্বা খুঙ্গাশিং ঈশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লরে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৭ (এস এন এস) ঃ থৌবাল তুরেলদা মপিথেল দাম শাখিবদগী চহী কয়া ঈশিংগী ঈরোলনুংদা লুপ্তুনা লৈখ্রবা চাদোং ভিল্লেজদা লৈরম্বা খুঙ্গাশিং হৌজিক হৌজিক ঈশিং ফংদবগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরে।

থৌবাল তুরেলদা মপিথেল দাম শাজিনখিবনা মরম ওইরগা কুমজা ২০১৫ দা ঈশিংনা থুমজিল্লকপদগী চাদোং খুলদা লৈরম্বা খুঙ্গাশিং চাদোংগী অনৌবা মফম অসিদা হোংদোকখিবনি।

হিরম অসিগী মতাংদা ফঙবা পাউগী মতুং ইন্না খুঙ্গাশিংনা হৌজিক লৈরিবা মফম অসিদগী কিলোমিটর ২ রোম চৎলগা ঈশিং ফঙহন্নবা সোর্চ মতিক চানা লৈ। মফম অদুদা ঈশিং টেঙ্ক অচৌবা অমা শারবদি খুঙ্গাশিং ঈশিং মতিক চানা ফঙনগনি। ঈশিং ফঙদবগী খুদোংচাদবা অসি কোক্লনবা খুঙ্গাশিংনা লৈঙাক্তা খূৎয়েক পীদুনা ৱাকৎলবসু তাবিদ্রে হায়রি।

খুঙ্গা অমনা পাউ চে অসিদা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না ঈশিং য়াওদনা মীওইবা হিংবা ঙমদে। তোঙান তোঙানবা হিরম কয়াদা ঈশিং য়াম্না মরু ওইনা শিজিন্নরিবনি। হৌজিক চাদোং ন্যু সাইটতা লৈরিবা খুঙ্গাশিং ঈশিং ফঙদবগী খুদোংচাদবা চাওনা মায়োক্লবগা লোয়ননা মমল তাংনা ঈশিং লৈদুনা শিজিন্নরি। কোভিদ–১৯ না মরম ওইরগা লোকদাউন লৈখিবনা মীয়াম থবক শুবা ফঙদবগা লোয়ননা থক্লা চানবা ঈশিং লৈতবনা খুঙ্গাশিং চাওনা খুদোংচাদবা মায়োক্লরে। অদুবু অতোপ্পা পাম্বৈ লৈতবনা হৌজিক খুঙ্গাশিং ঈশিং বালটিন অমগীদমক্তা কিলোমিটর ১ রোম খোংনা চৎতুনা ঈশিং শোক্লরে।

খুঙ্গাশিংনা তঙাই ফদবশিং পুবা গাড়ীশিং লিটর ৫০০ ঈশিং লৈবদা লুপা ৫০০ য়ৌরে। ষ্টেট অসিগী খ্বাইদগী চাওবা দাম লৈরিবা মফম অসিগা নক্লবা মফম অমদা অসুম্না ঈশিংগী অৱাবা মায়োক্লবা হায়বসি য়াম্না ইকায়নিঙাইনি। লৈঙাক্ল রিজাভর শাদুনা ঈশিং পাইপশিং ফঙহনবিরবদি খুঙ্গাশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অসি কোকনি হায়রি।


# UNACCO SCHOOL

## Excellence in Education

Khongman Zone-III, Imphal East, Manipur





***PROVISIONAL ADMISSION TO CLASS XI SCIENCE (SESSION 2020-21)***

Has Been Started...

Online Classes will start from 1st May, 2020.
Desirious Students/Parents can contact School Office from 9 a.m. to 4 p.m for Enrollment

For Details : +917085410354/8131070337/9436849647
Email : info.khongman@unaccoschool.in/ Info.unaccoschool@gmail.com

SL/B/upto 19